# বুশু মশান্নদগী অর্জুনা এৱার্দ অহুম পুরকপা ঙম্বসিনা তাক্লিবদি গেম মখলসি ঐখোয়গা চানৈ হায়বনি



ৱাই সনাথোই
*(অর্জুনা এৱার্দি, রুসু)*

(হান্নগী মখা)

রুশু শান্নরোয় অমা ওইনা ঐহাক্না ইন্টর্নেসনল থাক্তা শান্নজখিবা অমদি মেদল লৌজরকখিবসি নৌহৌনা অমুক নিংশিংজরবদা কুমজা ২০০৭তা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড রুশু চেম্পিয়নশিপ্তসু ঐহাক ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শান্নজখি। কুমজা ২০০৮দা ধাকাদা তৌখিবা 'থার্দ সাউথ এসিয়া রুশু চেম্পিয়নশিপ' তসু শরুক য়াজবগা লোয়ননা সনাগী মেদল লৌজরকখি। চাইনাগী মকাউদা চথখিবা 'তরেৎশুবা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ' তসু ঐহাক সিলভর মেদল ফঙজরকখি। কুমজা ২০১০দা তৌখিবা গ্বাঙজৌ এসিয়ন গেমসতসু ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওদুনা শান্নজখি। কুমজা ২০১২দা ভেয়েটনামদা পাঙথোকখিবা '৮শুবা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ' তদি ব্রোঞ্জ মেদল লৌজরকখি। কুমজা ২০১১গী ওক্টোবর ৬তগী ১৫ ফাওবা টর্কিদা তৌখিবা '১১ শুবা ৱর্ল্ড রুশু চেম্পিয়নশিপ' তসু সিলভর মেদল ফংজরকখি। কুমজা ২০১৩দা ক্বালা লম্পুরদা চথখিবা '১২ শুবা ৱর্ল্ড রুশু চেম্পিয়নশিপ' অসিদসু সিলভর মেদল পুজরকখি। কুমজা ২০১৪দা তৌখিবা ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসতনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌজরকখি। তরেৎশুবা সন্দা ৱর্ল্ড কপ্তসু ঐহাক ব্রোঞ্জ ফংজরকখি। কুমজা ২০১৫গী নবেম্বর ১৩দগী ১৮ ফাওবা ইন্দোনেসিয়াদা পাঙথোকখিবা '১৩ শুবা ৱর্ল্ড রুশু চেম্পিয়নশিপ' অসিদসু ঐহাক সিলভর মেদল পুরগা লাকচখি। কুমজা ২০১৬তা গুৱাহাতিদা তৌখিবা '১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমস' অসিদসু সনাগী মেদল ফজরকখি। কুমজা ২০১৬তা টাইৱানদা পাঙথোকখিবা '৯ শুবা এসিয়ন রুশু চেম্পিয়নশিপ' অসিদসু ঐহাক ব্রোঞ্জ মেদল লৌজরকখি। কুমজা ২০১৬কী নবেম্বর থাদা তৌখিবা '৮ শুবা রুশু সান্দা ৱর্ল্ড কপ' তসু ঐহাক কিলোগ্রাম ৫২গী কাংলুপ্তা সিলভর মেদল ফংজরকখি। কুমজা ২০১৭তা চাইনাদা চথখিবা 'ফর্ষ্ট রুশু সান্দা এসিয়ন কপ' অসিদসু ব্রোঞ্জ মেদল পুজরকখি। মমাঙ চহী কুমজা ২০১৮দা ইন্দোনেসিয়াদা তৌখিবা '১৮ শুবা এসিয়ন গেমস' তসু ঐহাক শরুক য়াজখি। অনীরকশুবা ওইনা শরুক য়াজখিবা এসিয়ন গেমস অসিদদি ঐহাক মেদল পুজরকপা ঙমখিদে।



কুমজা ২০০৫দা পাঙথোকখিবা (সিঙ্গাপোর) 'থার্দ এসিয়ন জুনিয়র রুশু চেম্পিয়নশিপ' তগী ঐহাক সিলভর মেদল অমা লৌজরগা অহানবা ওইনা ইন্টর্নেসনল থাক্তা ইশাগী ওইবা একাউন্ট অমা হাঙদোকচরকখিবনি। তোঙানবা ইন্টর্নেসনল থাক্কী চেম্পিয়নশিপ ২২ রোম শরুক য়াজরকপদা মেদল কাংলগা হল্লকখিবদি শুপ্পগী মরিরোমতনি। অয়াম্বা মতমদদি গোল্ড, সিলভর, ব্রোঞ্জ পুজরকখিবা ঙাক্তনি। রুশু মশান্না অসিদা খোঙ হেক থাংজিনজরকপদগী ঙসি ফাওবা থৱায় হকচাং য়াওনসু শান্নজরি। ঐহাক্না অহানবা ওইনা শান্নজরকখিবা ৱেথ কেটিগোরিনা কিলোগ্রাম ৪৮নি। অদুগা হৌজিক্তী ঐহাক কিলোগ্রাম ৫২দা শান্নজরে।



**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**আর্জুন এৱার্দিশিংদা মীৎয়েং অমা**

য়াইরিপোক তোপ চিঙথাদা লৈবী মশাগী চহী ৩১ শুরবী রুশুগী অর্জুনা এৱার্দি য়ুম্নাম সনাথোইনা ৱাফম খরা অসিসু অসুম্না ফোঙদোকপীরকখি। রুশু মশান্নবু থোইদোক্না পামজরুবদগী গেম মখল অসিগী মতাংদা ঐহাক অহেনবা নোলেজ তানশিনজবা ওইনা চাইনাগী মফম কয়াদসু চৎচদুনা ট্রেনিং খরসু লোইশিনজরুরে।

কুমজা ২০১৬কী জুলাই থাদা চাইনাগী শন্দোং মার্সেল আর্টস এসোসিএসননা শীন্দুনা চথখিবা থা অমগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রামদসু ঐহাক য়াওজরুরে। মসিগী মথংদা কুমজা ২০১৭তা ইন্দিয়াগী রুশু শান্নরোয় অমা ওইনা বৈজিং স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি (চাইনা)না ওর্গনাইজ তৌদুনা ওগষ্ট ১দগী ২৫ ফাওবা তৌখিবা 'ফোরেন এক্সপোজর ট্রেনিং'দসু শরুক য়াজরুরে। লোয়ননা কুমজা ২০১৮গী জুলাই ৭তগী ওগষ্ট ১৬ ফাওবা চাইনাগী রুশু এসোসিএসন শন্দোং প্রোভিন্সতা তৌখিবা রুশুগী অখন্ননবা ট্রেনিং প্রোগ্রামদসু ঐহাক য়াওজরুরে। হায়রিবা ট্রেনিংশিং অসি য়াওজরুবদগী রুশুগী মতাংদা ঐঙোন্দা ফাওজবা ৱাখল্লোল ময়াম অমসু লৈজরি। ... মথং মথং ...

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৬

১) কুমজা ১৯৭৪ দা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা খ্বাইদগী চাওবা শান্নবগী থৌরম অদু করিনো?

২) জেসি ওৱেন (অমেরিকা) অমসুং লোঙ লটজ (জর্মনি) মরুপনি। লোঙ লটজ অনিশুবা লাঞ্জাওদা শরুক য়াখিবদা অফ্রিকাগী মফম অমদা লৈখিদে। মখোয় অনী অরোইবা ওইনা করম্বা মফমদা উনখি।

৩) অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবদা মণিপুরগী টিমসু শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অদু করম্বা মফমদা পাঙথোকখি?

৪) ঐনা মহাকপু ওলিম্পিক্কী লমজেন্দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা তাখি। অদুবু মহাক লৈবাক অমগী গভর্ণর জেনরেল ওইখি। মহাক ইংলেন্দগী নিংথৌরেল অমদি মহাক্কী ইমুং-মনুংগী দাক্তর চহী ৩০ হেন্না ওইরম্মী। মহাক কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# য়ু-২৩ ৱর্ল্ড রেষ্টলিংদা সাজন ভনৱাল ব্রোঞ্জ ফংহৌদ্রে, রবি রেপিচেজ রাউন্দ য়ৌখ্রে

বুদাপেষ্ট, নবেম্বর ০৩(এজেন্সী):

হঙ্গেরিগী বুদাপেষ্টতা পাঙথোকপা চহী ২৩ মখাগী ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী সাজন ভনৱাল কে জি ৭৭কী কাংলুপ্তা ব্রোঞ্জ ফংবা ঙমহৌদ্রে। রবিনা কে জি ৯৭কী কাংলুপ্তা রেপিচেজ রাউন্দ য়ৌখ্রে।



সাজন ভনৱালনা গ্রিকো-রোমান কেটগোরিদা ঙসি টর্কিগী রেষ্টলর সর্কেন অকোয়ুনগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না শোত্থদনা পোইন্ট ১-১০দা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌদবনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা রেষ্টলর রবিবু কিলোগ্রাম ৯৭কী কাংলুপ্তা জিওর্জিয়াগী রেষ্টলর জিওর্গি মেলিয়ানা প্রিক্বার্টর ফাইনেলদা পোইন্ট ৮-০দা মায়থীবা পীরম্বনি। অদুবু জিওর্গি মেলিয়ানা ফাইনেল য়ৌখিবদগী মেদল ফংবা য়াবা রেপিচেজ রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইখি। রবিনা মখা তাবা রাউন্দ অমা মায় পাক্লবদি ব্রোঞ্জ মেদল প্লে ওফকীদমক খুদোংচাবা অমা ফংগদৌরি। ঙসি পাঙথোকখিবা কিলোগ্রাম ৫৫গী রেপিচেজ বাউটতা ইন্দিয়াগী আর্জুন হলাকুর্কি অর্মেনিয়াগী রেষ্টলর নোরায়র হাখোয়ানগী মখুৎতা ২-১০দা মায়থীহৌখি।

অমরোমদা কিলোগ্রাম ৮৭কীদা ইন্দিয়াগী সুনিল কুমার অহানবা রেপিচেজ বাউটতা স্বিদেনগী অলেকজেন্দর জিওর্জিবু ৫-৩দা থোইরবা মতুংদা অনীশুবা রেপিচেজ বাউটতা ক্রোসিয়াগী রেষ্টলর ইভান হুকলেক্কী মখুৎতা ৩-৬ মায়থীদুনা মেদলগী খুদোংচাবা মাংজখি।

# মমাঙগী চেম্পিয়ন বেঙ্গালুরু এফ সি অমসুং জমসেদপুর এফ সি পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে

Match on 06 Nov. (Wed)
NE UNITED Vs HYD FC



জমসেদপুর, নবেম্বর ০৩(এজেন্সী):

হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৬শুবা এদিসনগী ঙসি শান্নখিবা ১৫শুবা লীগ মেচতা মমাঙ এদিয়সনগী চেম্পিয়ন ওইরিবা বেঙ্গালুরু এফ সি অমদি জমদেসপুর এফ সি পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

জমদেসপুরদা লৈবা জে আর দি টাটা ফুটবোল কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা মেচ অদু টিম অনীগী ওইনা য়েংলুরবদি বেঙ্গালুরু এফ সিনা মায় পাক্তবা য়াদবা মেচ অমা ওইখি। ঙসিগী মেচ অদুগী মাংওইননা বেঙ্গারুরু এফ সি পোইন্ট ২ ফংলগা ৯শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা জেমদেসপুর এফ সি পোইন্ট ৬ ফংলগা টেবলগী মকোক্তা লৈখি।

বেঙ্গালুরু এফ সি লীগ অসিগী মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ননি। মখোয়গী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। ২৬শুবা মিনটতা জমসেদপুরনা পুশিল্লকপা এটেক অমদা বেঙ্গালুরুগী সুনিল সেত্রি পিতিবু পেনাল্টি বোক্স ৱাংমদা ফাউল তৌদুনা তুহনখি। ফ্রি কিক অমা জমদেসপুরনা ফঙখি। টিম অদুগী শান্নরোয় কাষ্টলনা নেম্না কাউশিনখিবা সোট অদু বেঙ্গালুরুগী কিপ্পর গুরপ্রিত সা[illegible]দুনা ফাবা ঙমখি।

অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৩দা ঙাইরবা মতমদা বেঙ্গালুরুগী উদান্তাবু জমসেদপুর এফ সিগী টিরিনা তুহল্লুবগীদমক রেফরিনা টিরিবু য়েল্লো কার্দ উৎতুনা বুক তৌখি।

অনীশুবা হাফ অদু টিম অনীমক অহানবা পাঞ্চল চন্নবা হোৎনরকখি। বেঙ্গালুরুগী মায়কৈদা ৱাংজম সুরেসনা মেন্যুএল ওনৱুবু মহুৎ শীনখি। টিম অদুগী শান্নরোয়শিংনা জমসেদপুরগী মায়কৈদা পুশিনখিবা বোলশিং অদু মখোয়গী কিপ্পর সুব্রতা পোলনা নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমদুনা মেচ অদু ০-০দা দ্রো চৎখি।

উদান্তানা ঙসিগী মেচ অদুদা খ্বাইদগী ফজবা পাসকী মনা ফংখি। মোবসির রহমননা ইম্মর্জিংগী প্লেয়রগী মনা ফংখি। সুব্রতা পোলনা হিরো ওফ দি মেচকী মনা ফঙখি, অদুগা গুরপ্রিটনা লিমিটলেসকী মনা ফঙখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Jamshedpur | 3 | 2 | 1 | 0 | 5 | 2 | +3 | 7 |
| 2 | ATK | 3 | 2 | 0 | 1 | 6 | 1 | +5 | 6 |
| 3 | Goa | 3 | 1 | 2 | 0 | 6 | 3 | +3 | 5 |
| 4 | NorthEast United | 3 | 1 | 2 | 0 | 4 | 3 | +1 | 5 |
| 5 | Mumbai City | 3 | 1 | 1 | 1 | 3 | 4 | -1 | 4 |
| 6 | Odisha | 3 | 1 | 0 | 2 | 6 | 6 | 0 | 3 |
| 7 | Bengaluru | 3 | 0 | 3 | 0 | 1 | 1 | 0 | 3 |
| 8 | Kerala Blasters | 3 | 1 | 0 | 2 | 3 | 4 | -1 | 3 |
| 9 | Hyderabad | 3 | 1 | 0 | 2 | 3 | 9 | -6 | 3 |
| 10 | Chennaiyin | 3 | 0 | 1 | 2 | 0 | 4 | -4 | 1 |

# ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা চাইনাগী ৱেং হোং য়াংবু ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে



সারব্রুকেন, নবেম্বর ০৩(এজেন্সী):

জর্মনিগী সিটি সারব্রুকেনদা ওক্টোবর ২৯দগী পাঙথোরকপা সারলোলুক্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোয় লক্ষ্য সেননা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা চাইনাগী শান্নরোয় ৱেং হোং য়াংবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা লক্ষ্য সেননা ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় কিরন জোর্জবু ২১-১৩, ১৪-২১, ২১-৯দা থোইরমখি। অমরোমদা ঙসি মহাক্কী ফাইনেল লম্বা ওইখিবা চাইনাগী ৱেং হোং য়াংনা সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ ইংলেন্দগী টোবি পেন্তিবু ২১-১২, ২১-১১দা মায়থীবা পীরমখি।

ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গেমদগী হৌরদুনা শান্নরোয় অনীমক লম্বা মান্নখি। পোইন্ট তান্নদুনা লাকখিবা অদু লক্ষ্য সেননা পোইন্ট ১৭ শুরকপদা ৱেং হোংনা পোইন্ট ২১ য়ৌবা হনখিবদগী গেম অদু চাইনাগী শান্নরোয় অদুনা থোইখি।

অনীশুবা গেমদা লক্ষ্য সেননা ঙন্না পোইন্ট মাংজিল থাবা ঙমখি। অদুবু চাইনাগী শান্নরোয় অদুনা অমুক তানখৎলক্তুনা পোইন্ট ১৬-১৬তা মান্নদুনা লৈখি। লক্ষ্য সেননা মখা তানা ফজবা হেল্লকপদগী গেম অদু ২১-১৮দা থোইদুনা দিসাইদিং গেম শান্নবা তাখি। অরোইবা অমদি অহুমশুবা গেম অদুদা লক্ষ্য সেননা ২১-১৬দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা চাইনাগী লি য়ুন অমসুং দেনমার্ককী লিনে খৃষ্টোপর্সেনগা শান্নবদা শুপ্পগী মিনট ২৭তা লি য়ুননা ইকোম কোম্না ২১-১২, ২১-১৩দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

মিক্স দবলসকী কাংলুপ্তা চাইনাগী পেয়র অনী লম্বা তৌনখি। ৫ শুবা সিদেদ রেন জিয়াং য়ু অমসুং ঝৌ শাও মিনবু ৬ শুবা সিদেদ গুও জিন ৱা অমদি ঝাং সু জিয়াননা ২১-১৮, ২১-১৯দা থোইদুনা মকোক ওইখি।

নুপীগী দবলসতা চাইনাগী পেয়র লিয়ু জোন জোন অমদি জিয়া য়ু তিংনা ইংলেন্দগী পেয়র টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ ক্লোয়ে বর্স অমসুং লোরেন্স স্মিটপু ২১-১৬, ২১-১৩দা থোইদা টাইটল লৌবা ঙমখি।

# অহানবা ফ্রেন্দলি মেচতা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমবু ভিয়েটনামগী টিমনা পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে



হানোয়, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সী):

ভিয়েটনামনা য়ুম্ফু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি হানোয়দা লৈবা ভি ৱাই এফ টি সি ফুটবোল গ্রাউন্দদা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমগা ফিফা ইন্টর্নেসনল ফ্রেন্দলি মেচ অনীগী মনুংদা ঙসি অহানবা শান্নখিবদা য়ুম্ফু লৈবাক অদুনা পাঞ্জল ৩-০দা থোইখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা মখোয়গী থাক হেন্না ৱাংনা লৈরিবা ভিয়েটনামগা ফ্রেন্দলি মেচ শান্নরিবা অসি এ এফ সি এসিয়ন ৱুমেন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ক্বালিফাইয়িং য়াওননবা শেম শাবা ওইরি।

হৌরকপদা ভিয়েটনামগী মায়কৈদগী এটেক চথবা ঙমখি। শান্নবগী ৮ শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় থি নুংনা একাউন্ট হাংদোক্তুনা ইন্দিয়াবু মাংজিল থাবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদা বোল তোইনা ভিয়েটনামগী শান্নরোয়শিংনা অদুনা পুশিন্দুনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিং অদুবু পোথাবগী মতম পীখিদে। ১২ শুবা মিনটতা ভিয়েটমানগী মায়কৈদগী কাউশিল্লকখিবা সোট অমসু ইন্দিয়াগী গোল কিপ্পর অদিতি চৌহাননা য়াম্না ফজনা ফাবা ঙমখি।

শান্নবগী মিনট ৩০ শুবদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী চথখিবা এটেক অমদা বালানা য়াম্না সাফু কন্না কাউশিনখিবা সোট অমা গোল পোষ্টতগী খজিক্তং হায়দোকখিবা মরম্না পাঞ্জল ওইগদবা তাঞ্জা অমা মাংজখি। অহানবা হাফ ফাওবদা ইন্দিয়ানা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম ভিয়েটনামগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হোৎনরকখিবা অদু ৮২ শুবা মিনটতা থি বাননা চনবা ঙমখি। মহাক্কী মতুং ৮৯ শুবা মিনটতা টিম অদুগী থি থুই হাংনা চন্দুনা ৩-০দা থোইখি।

# সর্বিয়াগী নোবাক জোকোবিসনা কনাদাগী দেনিস সপোভালোব মায়থীবা পীদুনা পেরিস মাষ্টর্স টাইটল লৌখ্রে



পেরিস, নবেম্বর ০৩(এজেন্সী):

ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা শান্নরিবা রোলেক্স পেরিস মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৯দা ৱর্ল্ড নম্বর ১ শান্নরোয় সর্বিয়াগী নোবাক জোকোবিসনা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা কনাদাগী শান্নরোয় দেনিস সপোভালোবপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

কনাদাগী শান্নরোয় দেনিস সপোভালোবনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর টু শান্নরোয় স্পেনগী রাফেল নদালগা শান্নগদবনি। অদুবু নদাল শোকপদগী মেচ অদু শান্নবা ঙমদনা সপোভালোবনা ৱাক ওভর ফংলগা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি। অমরোমদা নোবাক জোকোবিসনা মহাক্কী সেমীফাইনেলদা বলগেরিয়াগী শান্নরোয় গ্রিগোর দিমিত্রোবকা লম্বা তৌনখি।

সেমীফাইনেলদা নোবাকনা ৭-৬ (৭-৫), ৬-৪দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখি। ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেটতা জোকোবিসনা সপোভালেবকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা থোইদুনা সেট অমা মাংজিল থাখি। অনীশুবা সেটতা নোবাকনা অমুক্কা হন্না ঙন্না সপোভালোবকী সার্বিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪দা থোইরগা চহী অসিগী রোলেক্স পেরিস মাষ্টর্স ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী টাইটল লৌখি। নীংশিংবা য়াই, হৌখিবা চহীদা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল অদু রসিয়াগী শান্নরোয় কারেন খচানোবনা লৌখিবনি।

চহী অসিগী দবলসকী কাংলুপ্তা ফ্রান্সকী পেয়র পিয়েরি হুগেস হর্বট অমসুং নিকোলাস মহুটনা ফাইনেলদা রসিয়াগী কারেন খচানোব অমসুং এন্দ্রি রুব্লেবপু ষ্ট্রেট সেট অনী (৬-৪, ৬-১) থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

পনবা য়াই, ফ্রান্সকী পেয়র অদুনা সেমীফাইনেলদা জর্মনিগী পেয়র থোইরম্বনি। অদুগা রসিয়াগী পেয়র অদুনা ক্রোসিয়া অমদি সর্বিয়াগী পেয়রবু থোইরমখি। মমাংগী চহীদা য়ু এসকী রজিব রাম অমসুং স্পেনগী গ্রানোলর্সনা টাইটল ফংখি।